WAYEL KATI
Evening Newspaper
# রায়েল কাতি
WAYEL KATI
Vol. 2, Issue 120 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, মেরাগী নোংমা পানবা, ওক্টোবর ১১, ২০২৬ ইং, নোংমাইজিং | মমল লুপা ২/–

## কর্নজিৎ এননা মিষ্টর কন্টিনেন্টল ৱার্ল্ডফঙলে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মশাগী চহী ২১ শুরবা মণিপুরগী কর্নজিৎ নিংথৌজমনা মিষ্টর কন্টিনেন্টেল ৱার্ল্ড ২০২৬কী মীংথোল ফঙদুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মায় পুরকপা ঙমখ্রে। থাইলেন্দদা পাঙথোকপা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমদা মায় পাক্লকখ্রবা কর্নজিৎ নিংথৌজম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগীনি। মমাংদা মহাক্না মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা ১৫শুবা গেট্সবি মেগা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ২০২৬কী মীংথোল ফঙবা ঙমখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা থাইলেন্দদা পাঙথোক্পা ইন্টরনেসনেল পেজেন্টতা শরুক য়াখিবনি। অতোপ্পা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা মণিপুরগী মোনিকা কোঞ্জেংবমনা মিস কন্টিনেন্টেল ৱার্ল্ড ২০২৬কী ফার্ষ্ট রন্নর্স অপকী মীংথোল ফঙবা ঙমখ্রে।

## দেঙ্গি– পুং ২৪ দা মীওই ১২ পোজিটিভ ওইরে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১২ দেঙ্গি পোজিটিভ ওইরক্কুনা চহী অসিগী ওইনা দেঙ্গিনা নাখিবা অপুনবা মীগী মশিং ৪৫৩ য়ৌখ্রে। খ্বাইদগী নৌনা মীওই ১২ পোজিটিভ ওইরকখিবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৭, ইম্ফাল ইষ্টতা ৫নি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা দেঙ্গিগী অপুনবা কেস ১৩৩, ইম্ফাল ইষ্টতনা অপুনবা কেস ১২৮ শুরে।

## স্পেল্লিং কম্পিটিসন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না ষ্টেট লেভেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন ২০২৬কী অনিশুবা প্রিলিমিনরি রাউন্দ অমসুং অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবা ২০২৬কী অহানবা প্রিলিমিনরি রিতন রাউন্দ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

মহৈরোইশিংদা লেঙ্গুইষ্টিককী লৌশিং লৈহনবগা লোয়ননা লোলদা থৱাই য়াওহন্নবগী পান্দমদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কম্পিটিসন অনিদগী খনগৎলগা ফাইনেল রাউন্দদগীদমক ক্বালিফাই ওইরবা কেন্দিদেটশিংগী মমিং সুককী ওফিসিয়েল ফেসবুক পেজতা ফোঙলগনি। কম্পিটিসন অনিমক্কী ফাইনেল রাউন্দ ওক্টোবর ১৭ তা পাঙথোক্লবা মতম লেপ্লে। ফাইনেল রাউন্দ পাঙথোক্লবগী মফমসু অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়রি।

## নৌনা থৌ পুবা খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্দিজিনস পিপল্স ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইপোম)গী হেদ ওফিসতা ঙরাং লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ৱাই দেভদটনা কৌদুনা স্পিসিয়েল অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সোসিয়েল এক্টিভিটি ২ থৌ পুবা ওইনা খনখ্রে।

ইপোমগী পল্লিসিটি সেক্রেটরি জেমসন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা খল্লবা মীওইশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুলদগী দব্লিউ বিনোই লুৱাংবু ইপোম হেদ ওফিসকী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লাঙ্গোলগী এ ঙান্থোইবু এসিষ্টেন্ট ৱুমেন এফেয়ার্স সেক্রেটরি ওইননি।



## কামজোংদা অহেনবা ষ্টেট ফোর্স থাবিরক্লবা লৈশিওনা হোম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট ফোর্স মতিক চানা থাবিরক্কুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন–থুম ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎপিয়ু হায়না ফুংয়ার এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ লৈশিও কৈশিংনা হোম মিনিষ্টর গোভিন্দাস কোন্থৌজমদা অইবা চেরোল থাদুনা হায়জখ্রে।



এম এল এ লৈশিও কৈশিংনা থাখিবা চেরোল অদুগী মতুং ইন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৪ দসু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ম্যান্মারগা লোন্নবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিংদা ষ্টেট ফোর্সকী কম্পনি ৩ থাবিরক্লবা হায়জবা লৈখ্রে। পুলিস হেদক্বাটরদগী আই আর বি কম্পনি অমা থারকখ্রবসু সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং অদু থুংলদ্রিঙেগী মাংওইননা ওক্টোবর ৯গী নুমিদাংৱাইরমদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা কামজোং অমসুং চসাদকী লোন্নবা মফমদা চসাদ পুলিস ষ্টেসনগী ও সিনা লুচিংবা টিম অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা লৈরে হায়বগী পাউ ফঙবদগী ও সিনা লুচিংবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী টিম অদুনা কামজোং অমসুং চসাদকী লোন্নবা মফমদা থিবা–হুন্বগী থবক চথরিঙৗেদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি।

খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা মায়কৈ কয়াদগী নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা তুংদা নুমিদাংগী পুং ১০.৩০ রোম তাবদা তাংখুল নাগা অমগী ময়ুম কুকিশিংনা মৈ থাদোকখি। থংনবা নুমিৎতসু কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগা লোয়ননা য়ুম ২৩ মৈ থাখি। মৈ থাদুনা অমাঙ–অতা থোকখনখ্রবা য়ুম ২৩গী মনুংদা তাংখুলগী ১২ অমসুং কুকিগী ১১নি।

নাকল অনিনা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা কুকি ২সু শিখি। চসাদতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা কুকিশিং অদুদি দোমখোনৈ তৌথাং অমসুং মাইকেল হাওকিপনি। থংনবা নুমিৎতা ঙমখৈ ৱাংমদগী খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেরোরিষ্টশিং চঙলক্লগা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদগী কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্পা লৈবা নিংচৌ ভিল্লেজতা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখি। এটেক অদুদা মীওই ২ লৈখিদে। লৈখিদ্রবশিং অদুদি, নিমচৌ ভিল্লেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি লৈসিসান লৈসাদাল অমসুং ঙচানসো নিংসেননি।

ম্যান্মারগা নক্লনা লৈবা ঙমখৈগী মফমশিংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং তোয়না থোক্কুনা লাকখি। পুন্নমক অসি য়েংলগা হোম মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং মতুং তারকপদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর নিংথিনা ঙাকপগা লোয়ননা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্দুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন–থুম কন্নবগীদমক অহেনবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং থাজিনপিরকপা মথৌ তায়।

## মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মতম অমদা মরাং কায়না ফঙলম্বা নাওসেক মুৎশিল্লক্লে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মহৌশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মতম অমদা মরাং কায়না লৈরম্বা নাওসেক, সাইন্টিফিক্কী মীংদনা 'লেথোসেরস ইন্দিকস' হায়না খঙনবা চাবা য়াবা তিল মখল অসি মণিপুরদা কাঙখুল মুৎখিদুনা মশক উবা ফঙলক্রে।

মণিপুরদা মরাং কায়না ফঙলম্বা 'জাইন্ট ৱাতর বগ' হায়নসু খঙনবা তিল মখল অসি চাবদা মহাও লৈবগা লোয়ননা হকচাংদসু কান্নবা ফঙবা মরম্না মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংনা য়াম্না পাম্নবা মখলগী তিলনি। মনম নুংশিবগা লোয়ননা মহাওসু লৈবা তিল মখল অসি তোঙান তোঙানবা লায়নাশিং লায়েংবদা শীজিন্নরম্বগী পুৱারীসু লৈরিবনি।

তিল মখল অসি পুখ্রি, পাৎ অমদি ঈশিং তুন্দুনা লৈবা মফমশিংদা মরাং কায়না ফঙলম্মী। শেল ইচঙ চঙদনা খ্বাইদগী লায়বা মওংদা প্রোতিন য়াওবা চিঞ্জাক চানবগীদমক মতম অমদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না নাওসেক অমসুং হাও নাওসেকনচিংবা তিল মখলশিং য়াম্না পাম্না চান্নরম্মী। লোক্তাক পাৎতসু তিল মখল অসি মরাং কায়না ফঙলম্মী। মহৌশাগী খল কায়থরকপগা লোয়ননা লোক্তাক পাৎকী বাইওদাইভর্সিটি শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা ঙসিদি মীওইবদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরিবা তিল মখলশিং অসি কাঙখুল মুৎখিবগী ফিভমদা লৈরে।



অরিবা মতমদা খুন্দারম্বা মীওইশিংনা নাওসেক, হাও নাওসেক অমসুং থৱাইকোকপিনচিংবা তিল মখলশিং পাম্না চান্নরম্মী। হায়রিবা তিল মখলশিং অসিদা প্রোতিন, ফেট, কার্বোহাইদ্রেট, মিনরেল অমসুং ভিতামিনশিং মরাং কায়না য়াওই।

মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা ফোঙবা ন্যুজ লেট্রর অমগী মতু ইন্না নাওসেক, হাও নাওসেক অমসুং থৱাইকোকপিনচিংবা মীওইবদা য়াম্না কান্নবা পীরিবা তিল মখলশিং কাঙখুল মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। অঙাংশিংনা লোক থুংবা মতমদা থৱাইকোকপি পীজরগা ফহনবা ঙন্বা মরম্না মতম অমদা হিদাক ওইনসু শীজিন্নরম্মী। নাওসেক হায়রিবা তিল মখল অসিসু চাবদা কান্নবা ফঙবগা লোয়ননা ঈশিংদা ঙাচক অমদি অতৈ তিল মখলশিং চাথোকপা মরম্না মীওইবদা চাওনা কান্নবা পীরিবনি।



## মরম চাদবা বেরিকেদশিং লৌথোক্লবা এস সিনা সেন্ট্রেল গর্ভর্মেন্টতা খঙহনখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি) ঃ** কোক্রোচ জন্তা পার্টিগী খোঙজংগা মরী লৈননা দিল্লিগী মেত্রো ষ্টেসনশিং থিংজিনখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা হিয়ারিং চথরবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি মরম চাদবা বেরিকেদশিং লৌথোক্লবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে।

মী য়াম্না তিনবা য়াহন্দনবগী মতাংদা থমখিবা ভারতিয়া নাগারিক সুরক্সা সনহিতা ২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ সু ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি। জষ্টিস জয়মালিয়া বাগচি অমসুং জষ্টিস বি মোহন্নাগী বেঞ্চনা হায়, সুপ্রিম কোর্টকী অকোয়বদা বি এন এস এসকী সেক্সন ১৬৩ চল্লাই হায়না খঙহল্লক্লে। অথিংবা অসি খুদক্তা লৌথোক্কুনা মীয়াম্বু মনিং তম্না চথোক চৎশিন তৌবা য়াহনগদবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরাই নুমিৎতা চথখিবা হিয়ারিং অমদা চীফ জষ্টিস সুরিয়াকান্ত, জষ্টিস বাগচি অমসুং জষ্টিস মোহন্নাগী বেঞ্চ অমনা হায় মদুদি, মেত্রো থিংজিন্দুনা মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দা অপনবা পীবা য়ারোই। অদুমওইনমক মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মেত্রো ষ্টেসনশিং থিংজিন্দুনা থমখি। থৌওং অদু কোর্টকী য়াথং থৌশাদবনি হায়না পিটিস্নার ওইরিবা এদভোকেট সাইলেন্দ্র মণি ত্রিপাথিনা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়, কনাগুম্বা মীওই অমনা করিগুম্বা দিমান্দ অমগা মরী লৈননা প্রোটেষ্ট তৌবগী রাইট লৈ। অদুমওইনমক পুলিস এক্টনা য়াবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌগদবনি। সুপ্রিম কোর্টনা খুদক্তা নোতিস অমা থোকখিবগা লোয়ননা দিল্লি পুলিস, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অমসুং দিল্লি মেত্রো রেল কোর্পোরেসন্দা অথিংবা পুন্নমক লৌথোক্লবা য়াথং পীখি।

## হুথিগী মথক্তা এটেক চখবদা য়াওশিল্লগনি

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি) ঃ** রিয়াধকী ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা এটেক চখদুনা মীওই ১২ হাৎখিবগা লোয়ননা ৩০৯ শোকহনখ্রবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পনা হায় মদুদি সাউদি অরাবিয়ানা য়েমেনগী হুথি রেবেলশিংদা এটেক চথবদা ৱাশিংতনসু য়াওশিল্লগনি। সাউদি ওথোরিটিশিংনা এয়রপোর্টকী থবক থৌরম পুন্নমক লেপখিবগা লোয়ননা য়েমেনগী মথক্তা ওপরেসন চখনবা তকশিল্লকখ্রবা মতুংদা ত্রম্পনা হায়, য়ু এস লান্মীশিংনা হুথি রেবেলশিংগী মথক্তা এটেক চথবা য়াওশিন্নবগী মতাংদা ৱারেপ অমা অথুবা মতমদা লৌরকপা য়াই। সাউদি অরাবিয়াদা চথরকখিবা এটেক অদু তরাইনা লৌবা য়ারোই। অথুবা মতমদা সাউদিগী ক্রাউন প্রিন্স সলমানগা ৱারী শান্নরগা ৱারেপ অমা লৌরগনি।

## মচি খুলগী পি ঐচসি মথৌ তৌদ্রেঃ ভিল্লেজ চেয়রমেন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মচি খুল অৱাৎপতনা থল্লবা খুঙ্গং অমা ওইরে। খুঙ্গং অসিগী মীওইশিংনা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়েংনবগী লৈরিবা প্রাইমরি হেল্ঠ সেন্টর মথৌ নিংথিনা তৌখিদবগা লোয়ননা খুল অসিদা লৈরিবা স্কুলগী বিল্ডিং ক্বালিটি লৈনা শাদবনা নিংখায়বা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ পিপল্স ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), নেসনেল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো), মণিপুর পিছ এন্দ ইন্তিগ্রিটি কাউন্সিল (মপি কাউন্সিল) অমদি মচি অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ভিল্লেজ ওথোরিটিনা শীন্দুনা 'পিছফুল কো–এক্সিষ্টেন্স' হায়বা থিমদা মচি অসি অকোয়বদা খুন্দারিবা খুলশিংগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্না নৈনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি মচি ভিল্লেজকী চেয়রমেন এন বোস্কো মরিংনা ফোঙদোকখিবনি।

মচি কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অদুদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রূপচন্দ্র, নিপকোগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎ, মপি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট কে সি রোমিও, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, য়ু পি এফকী এদভাইজর খোমদ্রাম রতন, এমসুগী প্রসিদেন্ট লুক্রাম মালঙবা, মৈতৈ কাউন্সিল মোরেগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি পাওনম বিম অমদি মচি ভিল্লেজকী চেয়রমেন এম বোস্কো মরিং য়াওনা মচি খুলগী অকোয়বদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা খুল কয়াদগী লাকপা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চেয়রমেন এম বোস্কো মরিংনা হায়, খুলদগী কিলোমিটর ৪–৫ লাপ্পা লৈরিবা মচি প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্টরদা পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌগদবা ডোক্টর অমদি নর্সশিং মতম চানা ওফিস কাদনা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী পি ঐচ সি অসি ছো লোন্দুনা থল্লি। অনা–অয়েক, অশোক–অপন থোরকপা হায়বসি তম্বা ঙমদে।

## কুকিশিংনা কক্লগা পুখিবা অজিনপৌগী মকোক খুৎশিন্নরক্লবা ভিল্লেজ ওথোরিটিনা খঙহল্লক্লি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কুকি মিলিটেন্টশিংনা তমথিনা হাৎলবা মতুংদা ককথৎলগা পুখিবা আর অজিনপৌ কৌবা নাগা মীচম অমগী অককপা মকোক অথুবা মতমদা খুৎশিন্নরক্লবা মকুই ভিল্লেজ ওথোরিটিনা খঙহল্লক্লি।

ভিল্লেজ ওথোরিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায় হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২১দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তাঙ্গৈই তানা মৈ থাদোকপীখ্রবা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী পি ৱাইচোং সব–দিভিজন মনুং চন্না লৈবা মকুই চমরিউপিউ খুঙ্গং তম্না চৎখিবা খুঞ্জাশিংদা কে এন এফ (পি) অমসুং কে আর এনা ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা কে এন এ (বি)গা খুৎশম্নরগা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদনা নাগা ভিল্লেজ গার্দ ২ মীনুংশি য়াওদনা হাৎখি। অজিনপৌ খুঞ্জা অমা হাৎলবা মতুংদা মঙক ককথৎলগা অককপা মকোক অদু চর্চতগী হুরানখিবা বেট্ররি অনিগী মথক্তা খিন্দুনা থমখি। মীচম মীয়াম্না লৈনরিবা য়ুম কয়া মৈ থাদোকখিবগী মথক্তা শেংলবা মফম্লি হায়না লৌনরিবা চর্চতগী কিবোর্দ অমদি বেট্ররিনচিংবা পোৎলম কয়া হুরানখি।

মকুই চমরিউপিউগী ষন ৩সু হাৎতোক্লগা পুখি। অথুবা মতমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কক্লগা পুখিবা আর অজিনপৌগী অককপা মকোক অদু খুৎশিন্নরক্কুনা চৎনবী মতুং ইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক–হনগদবনি। করিগুম্বা অককপা মকোক অদু খুৎশিন্নরক্তবা তারবদি মীয়ামগী খোইশাওনবা হেনগৎলকপা য়াই। কুকি মিলিটেন্টশিংগী কা হেনবা থৌওং অসিদা লৈঙাক্না অখন্নবা চঙফম থোকই হায়রি।

## সেল্লোই লাংমাই চীংদা লৈবা সনামহি কিওংগী পাঙথোকপা থৌরমশিংদা শেলগী মতেং পাংগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সেল্লোই লাংমাই চীংদা লৈরিবা সনামহি কিওংগী ওইনা পাঙথোক্তবা য়াদবা থৌরমসিদা মতেং ওইনবা চহীগী ওইনা লৈঙাক্কী বদজেটতা শেল হাপহন্নবগী মতাংদা অঙম্বা মতেং পাঙলগনি অমসুং মেরা থাগী ওইনা পাঙথোকপা থৌরমশিংদসু সনা কোনুংগী মায়কৈদগী শেলগী তেংবাং পীরগনি হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল লুপনা শীন্দুনা ঙসি মীওই লিশিং কয়া তিন্দুনা কংলাদগী ইরু ঈশিং লৌদুনা গাড়ী মচাগী লাইনিং খোঙচৎকা লোয়ননা সনামহি কিওংদা পাঙথোকখিবা মেরা চাওরেল হৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, থৌরম অসি লিরবা লাই হাক্তক্তগী নিংথৌরেল কয়ানা পাঙথোক্কুনা লাকপা থৌরমনি। মতম খরদি অমুক মমি শামদুনা লৈরুরে। অদুবু হৌজিক্তি মীয়াম্না থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোক্লবা হৌরক্লি। থৌরমসি লাইনিংনা থৱাই পানবা কয়া অসি শেল্লবা মতুং মহাক্না শেমখ্রিবা থৱাই ওনবশিং অদুগী য়ুমথোং খুদিং চঙদুনা য়েংবা লাকপনি। নুমিৎসিনা লাকপা ইং তপ্পা ওইরসনু।

## কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** খুৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ঙরাং পোংরিংলোং নাগা ভিল্লেজতা এটেক চথরকখিবগী থৌওয অদুবু পোংরিংলোং য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সি)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

পি ৱাই সিগী মেদিয়া এন্দ পল্লিসিটি সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী কুকি খুৎলায় পায়বা মীওই ৩০ হেন্না চঙলক্লগা য়ুম কয়ামরুম মৈ থাদুনা অমাং–অতা থোকহল্লমখি। পোংরিংলোংগী উমং অমসুং নেচরেল রিসোর্সকী মপান তাংলগা মতম শাংনা হিংদুনা লাকখিবা য়ুম্লোন্নরিবা কুকি ফুরুপকী মীওইশিং অদু খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংগী মীচঙ চঙখি। মতম শাংনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা য়ুম্লোন্নবা খুল অনিগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনবা পুন্নমক মাঙহনখ্রে। অথুবা মতমদা এটেক চথরল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌবিয়ু।

## খুরাইদা টোটেল শটদাউন তৌগদৌরি

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি)ঃ** হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিং নোংয়াই ফশওবা খুরাই পুম্পা টোটেল শটদাউন চথরগনি হায়না জে এ সি ওন অননেচরেল দেথ ওফ পাওনম ধনেশ্বরনা হায়রি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমগা মরী লৈননা সাইবর ক্রাইম পুলিসকী কেস, সোসিয়েল মেদিয়া ত্রাইল অমসুং মেন্টেল হরাসমেন্ট মায়োক্লবদগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা হূ থল্লবা মতুং থা অসিগী ১দা লৈখিদ্রবা খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দগী পাওনম ধনেশ্বর মীশিগী মতাংদা খুরাইগী লৈকায়শিং পুনশিন্দুনা শেমখিবা জে এ সিনা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোক্কুনা পুলিসনা মীচং মীখাই নাইদনা অচুম্বা ৱায়েল লৌখৎপীনবা তকশিনখি।

জে এ সি ওন অননেচরেল দেথ ওফ পাওনম ধনেশ্বরনা শীন্দুনা খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়, সাজোর লৈকায়, চীংঙাংবম লৈকায় অমসুং নিংথৌবুং লৈকায়গী ইমাশিং শরুক য়াদুনা ঙসি খুরাই কোংপাল থোংখোংদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা জে এ সিগী কনভেনর ফোঙদোরকপদা পুলিসনা লৌখৎলকপা এফ আই আরনা ঙসি ফাওবদা মরম চাবা থবক তৌরক্তবদগী হান্না হায়খিবগী মতু ইন্না অচুম্বা ৱায়েং ফঙনবা খোঙজং চঙশিনবনি।

## নুপাশিংগী ক্রোমোজোম হন্থরকপনা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়ানা লৈরে

**ইম্ফাল ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি) ঃ** নুপা খুদিংমক্তা এক্স অমসুং ৱাই হায়দুনা ক্রোমোজোম মখল অনি য়াওই হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মখল অনি অসিগী মনুংদা ৱাই ক্রোমোজোমদা য়াওবা য়াম্না মরুওইবা জিননা মরম ওইরগা অঙাং ওইবদা নুপা ওইহল্লিবনি।




নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইনা নুপাশিংদা হৌজিক ৱাই ক্রোমোজোমগী মশিং তপ্পা তপ্পা হন্থরক্লে হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এক্স ক্রোমোজোমগা মান্নদবা মওংদা ৱাই ক্রোমোজোমদা য়াওবা য়াম্না মরুওইবা জিনশিং তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপগী খুদম অমা ময়েক শেংনা উবা ফঙলে। মতম খরা লৈরগদি হায়রিবা ক্রোমোজোম মখল অসি মশিং হন্থরক্কুনা মাঙখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈ হায়না থিজিল হুমজিল্লিবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চহী মিল্লিয়ন ১১গী মতুংদা ৱাই ক্রোমোজোম মপুং ফানা মাঙখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। কনাগুম্বনা চহী মিল্লিয়ন ১১ হায়বসি য়াম্না শাংবা মতম ওইবা মরম্না থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে হায়না খনবা তারগসু হৌজিক হৌজিক ৱাই ক্রোমোজোম মশিং হন্থরকপগী থৌওং অসিনা নুপা ওইবশিংদা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহনবা থেংনরে। ৱাফম অসি সেল জর্নেলদা হন্দক্তঃ। ফোঙলকখিবনি।

এক্স ক্রোমোজোমদা চাওরাক্লা জিন ৯০০ লোম য়াওই। অদুবু খরা হেন্না পীকপা ৱাই ক্রোমোজোমদদি শুপ্নগী জিন ৫৫ রোমতমক য়াওই। চহী কয়া লিশাং শিংনা থিজিন্দুনা লাকপদা ৱাই ক্রোমোজোমদা য়াওবা জিনশিংগী মশিং তপ্পা তপ্পা হন্থরকপা থেংনখি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অদুমক চখবা তারবদি চহী মিল্লিয়ন ১১গী মতুংদা ৱাই ক্রোমোজোম মাঙখিদুনা অমুক হন্না উবা ফঙদবগী ফিভমদা লৈরগনি হায়রি।

ৱাই ক্রোমোজোমদা য়াওবা য়ু টি ৱাই কৌবা জিন অমনা মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টেম মথৌ নিংথিনা পাঙথোকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই। করিগুম্বা জিন অসি মাঙখিবা তারবদি ইম্যুন সিষ্টেমদা য়াওবা সেল খরা মথৌ তৌবা লেপখিদুনা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া পোকহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈ। লেবোরেটোরিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা ৱাই ক্রোমোজোম য়াওদবা উচিশিংদা হার্টকী ফিভম খোংজেল য়াংনা শোকচিল্লকপগা লোয়ননা ট্যুমরগী সাইজ হেনগৎলকপা থেংনখি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ৱাই ক্রোমোজোমদা য়াওবা জিনশিংনা ইম্যুন সিষ্টেমগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্দ্রবদি তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ামরুম পোকহল্লকপা য়াবগী ফিভমমদা লৈ হায়বা থিজিন হুমজিল্লিবশিংনা খঙবা ঙম্লকখি। ৱাই ক্রোমোজোম মাঙখিবা য়াবগী ফিভম অসি মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, মৈখু শিজিন্নবা, এয়র পোল্লুসন অমসুং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিংদগী লাপথোক্না লৈরবদি নুপা ওইবশিংদা ৱাই ক্রোমোজোম মশিং হন্থরকপগী থৌওং অসি খরমখৈ খোংজেল তপথহনবা ঙমগনি।

মরম অদুনা মৈখু শিজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপগা লোয়ননা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ শেংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা মচি ওইবা চিঞ্জাক মচল শুনা চাবগী তঙাইফদবা লৈ। থিজিন হুমজিল্লিবশিংনা লংসকী লায়না লায়েংবদা শিজিন্নবা দ্রগ মখল খরনা ৱাই ক্রোমোজোম মশিং হন্থহন্দনবা হোৎনবদা শিজিন্নবা য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা চাংয়েং তৌনবা হোৎনরি।

## মণিপুরদা অহেনবা পেরামিলিটরি পার্সোনেল ৩০০০ থাবিরক্লবা এম ঐচ এদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ৱায়েল কাতি) ঃ** কাঙলুপকী ইরাং থোকপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি অমসুং এরিয়া দোমিনেসন ওপরেসন চখবদা খুদোংচাদবগীদমক অহেনবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি পার্সোনেল ৩০০০ থাবিরক্লবা মণিপুর লৈঙাক্না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্স (এম ঐচ এ) তা তকশিনখ্রে।

কোব্রা অমসুং রেপিদ এক্সন ফোর্সকী য়ুনিটশিং য়াওনা সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সেস (সি আর পি এফ)কী অহেনবা কম্পেনি ৩০ থাবিরক্লবগী মতাংদা হায়জখিবা ৱাফম অদু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরক্ত্রি। করিগুম্বা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লবদি ষ্টেট অসিদা সেন্ট্রল পেরামিলিটরি পার্সোনেল লিশিং ৩৩ হেন্না মথৌ তৌরগনি। সেক্যুরিটিগী সোর্স পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায় কোব্রা য়ুনিটশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা চীংনুংদা মথৌ তৌহনবগা লোয়ননা আর এ এফকী পার্সোনেলশিংবুনা হৌজিক হৌজিক পব্লিক ওর্দর ঙাকপদা শীজিন্নরক্লি। সি এ পি এফকী অতৈ য়ুনিটশিংনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিং ঙাক শেনবদা শীজিন্নগনি হায়রি। অদুমওইনমক লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদসু সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি পার্সোনেলশিং থম্বগী তঙাইফদবা লৈবনা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফম অসি এম ঐচ এনা অয়াবা পীরক্কদ্রা হায়বা চপ চানা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি।

ওফিসিয়েল সোর্স অমগী মতুং ইন্না চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলগা মরী লৈননা মণিপুরদগী পেরামিলিটরি পার্সোনেল ৮,৫০০ মতম খরগী ওইনা লৌথোকখ্রে। কুমজা ২০২৩ গী মে ৩দগী মৈতৈ অমসুং কুকি–জো ফুরুপকী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপদা মীওই ৩১০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৯ থিবা খঙদনা লৈরি। মীওই লিশিং কয়ানা ময়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা লৈরি। বফর জোন থমদুনা চঙথোক চঙশিন্দা অথিংবা থল্লবসু কাঙলুপকী ইরাং লাকশিনবা ঙমদ্রি।

